# সুদান সিক্যুরিটি ফোর্সনা আই এস আই এলগী মেম্বর ওইরম্বা য়াই চিংনবা ৪ কাপ্পুনা হাৎখ্রে



খারটোম, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

সুদানগী কোনুং খারটোমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা ওপরেসন অমদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) কী মেম্বর ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না সুদানগী জেনরেল ইন্টলিজেন্স সর্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টলিজেন্স সর্ভিস অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি জাব্রা দিষ্ট্রিক্টকী খা থংবা শরুক্তা থোকখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা মিলিটরি ওফিসর অমসু শিখি অদুগা অতোপ্পা অহুমসু শোকখি। টেররিষ্ট সেলগী মীওই মরী অমসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাগৎপা ঙমখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা ওপরেসন অমদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। মিলিটেন্টশিং অদুনা এসোল্ট রাইফল, রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদ (আর পি জি) অমদি গ্রেনেদশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খুদক্তা মিলিটেন্টশিং অদু তন্না নোংমৈ কাপখি। মদুদা আই এস আই অল ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৪ শিখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং টেররিষ্ট সেলগী মীওই ৪ ফাখিবগা লোয়ননা ফোরেনর ৮ সু ফাদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পুখিবা মীয়াম্না উনহৌখি। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লম্বীদা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা হান্না এটেক চথখিবনি। খুদক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খুৎলায় পায়বশিং অদুনা লৈরম্বা য়াবা বিল্ডিংশিং তন্না নোংমৈ কাপখি। মিনিট খরা লৈরগা মফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা লালহৌবা ওইরম্বা য়াই চিংনবশিং ফাদুনা পুখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি সুদানদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টর্গেট তৌদুনা এটেক চথবগী থৌদোকশিং অসি য়াম্না তাংনা থোকই। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা লালহৌবগী থবক থৌওংশিং চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। সুদান লৈঙাক্না হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হৌখিবগা লোয়ননা লালহৌবশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা থি হুন্দ্বগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# য়ু এন এস সীদা মতেং পাংবীনবা হাইটিনা হায়জখ্রে

হাইটি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

হাইটিদা হৌজিক হৌজিক গেং ভাইওলেন্স অমদি মখল মখা কয়াগী ক্রাইমশিং থোক্লিবা অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মতেং পীবিনবা হাইটি লৈঙাক্না য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা হায়জখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর ক্লাউদ জোসেফনা ফোঙদোকখিবদা, হাইটি লৈঙাক্না অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা দ্রগ কারটেলশিং অমদি গেং মেম্বরশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা তঙায়ফদনা য়ু এস এস সীদা মতেং পীবিনবা হায়জখিবনি।

লৈবাক অসিদা গেং ৱার য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখ্রে। চহী নৌরিবা নহা কয়াসু গেং ৱারশিং অসিদা য়াওশিল্লকপদগী লৈবাকঅসিগী তুংগী ফিভম লুশিল্লক্লি। মরুওইনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা গেং খুৎপুশিং অমদি দ্রগ কার্টেলশিং অসিদা অফবা মখলগী খুৎলায়শিং সপ্লায় তৌশিল্লক্লিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না গেংশিং অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা ময়োক্লহল্লি।

# ফেসবুক, ৱাটচএপ অমসুং ইন্সটাগ্রাম সর্ভিস পুঙ খরা য়াখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফেসবুক য়াওনা ৱাটচএপ অমদি ইন্সটাগ্রাম সর্ভিস পুঙ ৬ লোম য়াখিদবা অদুগীদমক টেক জাইন্ট অসিগী সী ঈ ও মার্ক জকর্বর্গনা নুঙাইতবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা মতম খরা অৱাবা ময়োক্ল হনখিবা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জরক্লি।





হিরম অসিগা মরী লৈননা মার্ক জকর্বর্গনা মহাক্কী ফেসবুক পোষ্টতা ফোঙদোকরকখিবগী মতুংইন্না, মীয়াম্না সোসল মিদিয়া সাইটশিং অসিবু য়াম্না পাম্না শীজিন্নরি। ঐখোয়গী সর্ভিসশিং অসিদা মীয়াম্না চাওনা থাজবা থল্লি। মীয়ামগী থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনগনি। মহাক্কী কম্পনি অসিনা চেকশিলহৌদবদগী থোকখিবা নুঙাইতবা অসিগীদমক মীয়াম্না ঙাকপীগনি হায়না থাজে।

পুঙ ৬ লোম সাইটশিং অসি শীজিন্নবা য়াখিবদবা অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা ফেসবুক্তা মিলিয়ন ১০.৬ হেনবনা রিপোর্ট তৌরকখি। সর্ভিস অসিবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা রিপোর্ট তৌরকখিবশিংগী মনুংদা মিলিয়ন ১.৭ না য়ু এসতগীনি। মদুগী মতুংদা জর্মনিদগী মিলিয়ন ১.৩ অমসুং নেদরলেন্দদগী ৯,১৫,০০০ না রিপোর্ট তৌরকখি। ফেসবুক য়াওনা কোর্পোরেট অমব্রেলা অসিগী মখাদা লৈরিবা ইন্সটাগ্রাম, ৱাটচএপ অমসুং মেসেঞ্জর শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা চাউনা অকায়বা পীখিবা অসি কম্পনি অসিগী ওইনসু য়াম্না মাঙজবা অমনি। টেক্নিকেল প্রোব্লেম্না মরম ওইরগা খুদোংচাদবশিং অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই।

হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। সিষ্টেম কনফিগুরেসন শোয়বদগী খুদোংচাদবা অদু থোকখিবনি হায়না ইঞ্জিনিয়রশিংনা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইন্নমক পুঙ ৬ লোম সাইটশিং অসি শীজিন্নবা য়াহনখিদবা অসি কম্পনি অসিগী লুচিংবা অমা ওইনা মহাক্না লায়না লৌদে। মথৌদা পুল্লিং চংদবা ষ্টাফশিং মশক খঙদোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা শোয়দনা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মার্ক জকর্বর্গনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ পেন্দমিক্কী চৈথেং ফংলবসু খুৎলায় চাংয়েং তৌবদি লেপত্রি

সিওল, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা ইকনমিগী ওইবা থবক থৌরমশিং অমদি অতোপ্পা হিরম কয়াদা চৈথেং পীখ্রবসু খুৎলায় চাংয়েং পাঙথোকপগী থবক্তি লেপ্পা লৈতনা চথরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা পীরিবা চৈথেং অসিখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লিবা অসিনসু ইকনমিদা চাওনা চৈথেং পীরিবনি। অসিগুম্বা লুরবা মতম অসিফাওবদা নোর্থ কোরিয়ানা অথিংবা থমখ্রবা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং পাঙথোকপগী থবক্তি লেপ্পা লৈত্রি।

লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং অনগী মীৎয়েং মখাদা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং পরেং ওইনা চাংয়েং পাঙথোকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মসিনা তুংদা লৈবাক অসিগী ইকনমিদা অমুক্কা হেন্না চৈথেং পীরবা য়াই হায়রি।

# টাইৱাননা কৈদৌনুংদা চাইনাদা নোঞ্জবা তৌরোই : প্রসিদেন্ট

টাইপৈ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

চাইনানা টাইৱানবু মখোয়গী ঙমখৈগী শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌবগা লোয়ননা টাইৱানদা য়াম্না তোয়না চাইনানা অকি অখঙ পোকহনবা য়াবা থবক কয়া চথরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা শিংনবা ওইনা চাইনানা মখোয়গী এয়রক্রাফ্টশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ঙমখৈগী শরুকশিংদা পায়শিল্লক্লি। চাইনানা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু টাইৱাননা কৈদৌনুংদা চাইনাদা নোঞ্জবা তৌরোই অমদি লৈবাক অসিগী নিং তম্বদা শিংনরকপা খুদিংমক থেংনগনি হায়না টাইৱানগী প্রসিদেন্ট টাই ইং ৱেননা ফোঙদোরক্লি।

চাইনানা মরোমদোম লৈজরিবা আইলেন্দ অসিবু চহী কয়াগী মমাংদগী লৌশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। চাইনানা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু কৈদৌনুংদা টাইৱাননা মখোয়গী মখাদা লৈরোই। থেঙ্খাং কয়ারক্তা চাইনানা আইলেন্দ অসিবু মখোয়গী খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনরি। অদুবু মসি কৈদৌনুংদা মায় পাক্লরোইদবা থৌওং অমনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট টাইনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা টাইৱাননা মশা ঙাকথোকচবা ঙমদ্রবা অমদি চাইনাগী মখুত্তা তাখ্রবদি এসিয়াগী লৈবাকশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা লাক্কনি। মসি খঙনা টাইৱাননা থবক তৌগনি। য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনসু চাইনাগী কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি তরায়না লৌরোইদবনি। চাইনানা লৈবাক অদুগী নেসনেল দে থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুং হৌজিকফাওবদা টাইৱান ঙমখৈগী শরুক্তা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ৱারপ্লেন ১৫০ হেন্না পাইশিল্লকখ্রে।

চাইনানা চথরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি থেংননবগীদমক টাইৱাননসু মখোয়গী ফাইটর জেটশিং শেম শাদুনা লৈহনখ্রে অমদি এয়র দিফেন্স সিষ্টেম এক্টিব ওইনা লৈহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংনা ফোঙদোকখিবদা টাইৱান অসি চাইনাগী টেরিটরিনি। মসিবু অমুক হন্না লৌশিনবা হায়বসি বৈজিংদা অরুবা থবক নত্তে। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা টাইৱানদা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবী টাইনা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবা হৌরক্লি। টাইৱান হান্না মনিং তমদুনা লাকখিবা মরোমদোম লেপচরকপা লৈবাক অমা ওইনা টাইনা উরি। মসি মহাক্কী অরানবা ৱাখল্লোন্নি।

# ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা য়ু এসনা ইরানগা ৱারী শারবা য়ানা লৈ

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

ন্যুক্লিয়র দিলগা মরী লৈননা ৱাশিংটননা অথুবা মতমদা ইরানগা ৱারী শানবা শেম শাবা হৌখ্রে অমদি ন্যুক্লিয়র দিল অসি মপুং ফাহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা শেম শাবসু হৌখ্রে হায়না য়ু এসকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ভিয়েনাদা হৌজিক চথরিবা ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ৱারী শারিবা অসিদা য়ু এসসু য়াম্না থুনা য়াওশিল্লগনি। ঈং তপ্পা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলক্লিবা থবক খুদিংমক্তা য়ু এসনা মতেং পাংগনি। চহী অসিগী অরোয়বা ফাওবদা ন্যুক্লিয়র দিলগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ৱারী শাবগী থবক অসি নভেম্বরগী অঙনবা মতমদগী হৌরবা য়ানা লৈ। য়ু এসনা টেহরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অসি লৌথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরবদি ন্যুক্লিয়র দিল অসিদা ইরাননা অমুক হল্লক্নবা শেম শাদুনা লৈ। ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কন্দিসন হান্না থমজিল্লকখিবনা মরম ওইরগা ৱাশিংটন অমদি টেহরানগী মথক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু জো বাইদেনগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা থাজবা পীরবদি ন্যুক্লিয়র দিল মায় পাক্কনি হায়রি।

# মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংহৌদ্রবদি খুদোংথিবা কয়া ময়োক্লরকপা য়াই

পেরিস, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক কয়াদা অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিং মরুওইনা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা মতম চানা অহেনবা মীৎয়েং চংহৌদ্রবদি চহী দিকেদ খরগী মতুংদা মীওইবা খুন্নাইনা লৈবা ঙমদবা মালেম অমা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা মীয়াম্না শৌদোকপা ঙম্লরোই হায়না থাজনরম্বা উন মপৈ কয়া শৌদোকখ্রে। উন মপৈশিং অসি লেপ্পা লৈতনা শৌদোরক্লি। মসিনা সুমদ্রগী ঈমায় হান্নদগী য়াম্না হেনগৎহল্লকখ্রে। মালেমদা লৈরিবা উন মতুমশিং অসি মপুং ফানা শৌদোরক্লবদি ঈশিংগী ঈরোলনুংদা মালেম অসি লুপখ্রগনি।

গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা উমং মৈ চাকপগী থৌদোকশিংসু থোরক্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু শাবা হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা উমং কয়া মৈনা চাকখ্রে। এমাজোন রেন ফোরেষ্টকী শরুক্তা মৈ চাক্লকখিবগী থৌওং অসি ঐখোয়না তরায়না লৌবা চুপ্লোই। মসি কা হেন্না শাগৎলকপগী খুদম্নি।

অমরোমদা অঙৈং অশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা মফম খরদনা ঈকং অদুগা মফম খরদনা ঈচাও থোকহন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মরম অদুনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী মতম ওইরে হায়রি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION**

***Imphal, the 5th October, 2021***

No.1/8/07-SW(COR): The recruitment process (DPC) conducted in pursuance of Advertisement/Notification No. 8/30/2017-18 (SNP) SW dated 11-01-2019 issued by the Department for contractual engagement against 113 posts/position under POSHAN ABHIYAN and the Special DPC conducted in pursuance of Notification No. 8/30/2017-18 (SNP) SW dated 03-03-2020 and all the related communications/corrigenda if any, issued by the Department in this regard, stand cancelled. Fresh recruitment will be taken up after fresh notification/re-notification. Relevant orders thereof may be perused in the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7203/6

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION**

***Imphal, the 5th October, 2021***

No.1/8/07-SW(COR): The recruitment process (DPC) conducted in pursuance of Advertisement/Notification No. 7/90/2018-SW (MSK) dated 11-01-2019 issued by the Department for contractual engagement against 29 posts/position under MAHILA KENDRA SHAKTI (MSK) and the Special DPC conducted in pursuance of Notification No. 7/90/2018-SW (MSK) dated 03-03-2020 and all the related communications/corrigenda if any, issued by the Department in this regard, stand cancelled. Fresh recruitment will be taken up after fresh notification/re-notification. Relevant orders thereof may be perused in the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7203/6

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION**

***Imphal, the 5th October, 2021***

No.1/8/07-SW(COR): The recruitment process (DPC) conducted in pursuance of Advertisement/Notification No. 1/1/2017-ICDS/PMMVY dated 11-01-2019 issued by the Department for contractual engagement against 34 posts/position under Pradhan Mantri Matru Vandana Yojana (PMMVY) and the Special DPC conducted in pursuance of Notification No. 1/1/2017-ICDS/PMMVY dated 03-03-2020 and all the related communications/corrigenda if any, issued by the Department in this regard, stand cancelled. Fresh recruitment will be taken up after fresh notification/re-notification. Relevant orders thereof may be perused in the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7203/6

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION
## MANIPUR

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION**

**Imphal, the 5th October, 2021**

No. Ex/11/Vol-VII It is hereby notified for information of all Headmaster/Headmistress/Principals of all High and Higher Secondary Schools recognized by the Board of Secondary Education, Manipur that failed candidates who are desirous of appearing in the H.S.L.C. Exam, 2022 either in full or failed subjects, as per his/her eligibility are required to pay a permission fee of Rs. 650/- (Rupees six hundred and fifty only) at the cash counter of the BSEM w.e.f. 08/10/2021. Prescribed Application Form may be obtained from computer Section on production of Xerox copy of Admit card. The filled in application form should be submitted to BSEM on or before 31-10-2021 positively.

The following categories of students are allowed to sit in the H.S.L.C. Examination, 2022.

1. A student may appear in the H.S.L.C. Examination, 2022 in full subjects if he/she had
   (i) failed in the H.S.L.C. Examination, 2016, 2017, 2018, 2019, 2020 and 2021 (Improvement)
   (ii) failed in the H.S.L.C. Examination (Compartmental) Examination, 2016, 2017, 2018, 2019 and 2020.
2. A student may appear in the H.S.L.C. Examination, 2022 as a supplementary candidate in FAILED SUBJECTS only if he/she had
   (i) Appeared in full subjects in the H.S.L.C. (Improvement) Examination, 2021

   The following candidates are not allowed to sit in the HSLC Examination, 2022
   (i) Expelled candidates in the H.S.L.C. Examination, 2021 (Improvement)
   (ii) Expelled candidates for impersonation in the H.S.L.C. Examination, 2019, 2020 and 2021.

Internal Assessment Marks.

For those students who had failed in the H.S.L.C. Examination 2016,2017,2018,2019 and 2020, 2021 (improvement) and want to appear in the H.S.L.C. Examination, 2022 their internal assessment marks will be carried forward from the last examination.

N.B. if a student fails in Thang-Ta/Fine-Arts/Eshei-Nongmai/Manipur-Jagoi, then he/she has to appear both in theory and External practical examination.

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary

HL-P/0255/6

ꯀꯣꯃꯦꯠ
COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
For
MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in
Last date of form submission : 11th October, 2021
Class commencement from : 18th October, 2021
Free Studentship available
(Limited seats based on first come first serve basis)
Special Features
Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
Assessment test every Sunday (during pandemic).
If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
Study Materials will be provided.
Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road
HL-B/7195/1,3,4,6,8

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 421/SDC/Hng/IE/2021 Dt. 5/10/2021**

1. Thoudam Ronibala Chanu, W/o Takhellambam Dayananda Singh of Khabam Mayai Leikai.
2. Gurumayum Sanayaima Sharma S/o G. Lukhoi Sharma of Kontha Khabam Mayai Leikai. -Petitoners

-Vs-

(Late) Leishangthem (N) Keinahanbi Devi D/o (L) Manikchand Singh of Khabam. -O.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dated : 5-10-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. 5-Khabam দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং. ... অনৌবা পাট্টা নং 289 (N) দাগ নং. 707, এরিয়া .115 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারীশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/0260/6

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

**Ref. Mutation Case No. 203/SDC/NBL of 2021**

1. Shougrakpam Joy Singh S/o (L) Ibotombi Singh
2. - do - Manglemba Singh S/o - do -
3. - do - Sanatomba Singh S/o - do -
4. - do - Donkeshwor Singh S/o - do -

all of Maibam Chingning Awang Leikai ... Petitioners

-Vs-

(Late) Shougrakpam Ibotombi Singh
S/o (L) Sh. Ngangba Singh of Maibam ... P.O.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dtd. 5-10-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam, Patta No. 23/1102 Dag No. 1606/2269 an area of 0.245 acres of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/0254/6

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

**Ref. Mutation Case No. 137/SDC/H Dt 14/09/2021**

1. Elangbam Ibopishak Singh S/o (Late) Elangbam Jugin Singh of Hiyanglam Makha Leikai
2. Elangbam Gunishwor Singh S/o (Late) Elangbam Tombi Singh of Hiyanglam Makha Leikai - Petitioners

-Vs-

(Late) Elangbam Jugin Singh S/o (Late) Elangbam Bhasa Singh of Hiyanglam - O.P.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Kakching, 5th October, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং: ৬৭-হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং: ২৫৭ অরিবা পাট্টা নং: ১৪১ গী দাগ নং: ৩১৮৬ গী লম হেক্তর .২৮৯৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্ত দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৩/১০/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা ৱাকৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Hiyanglam

HL-P/7202/6